# সাই এস এ জিগী ইহান হানবা জুদোকা মরক্তা য়াওদুনা খুমন লম্পাক্কী য়ুথ হোষ্টেলদা লৈরগা শান্নবা ফংজরকখি : দেবেন মোইরাংথেম



(হান্নগী মখা...)

ঐহাক্না সুম নীংশিংবদা 'বিবেকানন্দ কেন্দ্র' গী মীয়ামগী গুরু ওইনা লৈবিরম্বা ব্রদর রোই অসি মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুরগী পৈশা পায়বা, লাইরিক হৈবা মী ময়াম অমগা নুংশিনা লোইনৈ। লৈবাক্না খঙনবা সোসিয়েল ৱার্কর কয়াসু মহাক্কী মনাক্তা তোইনা লাকখি। মখোয়না করি করি ৱারী শানবা, করি ঙাঙনবা হায়বদুদি থোইনা খঙদে। ঐগীদি লাক্লিবা গেষ্ট পূম্নমক্কী চা লোনবা, অচা-অথক শেম শাদুনা পীবা অদুখক্তনি। ঐনা খঙহৌবদা ইতৎ তত্তনা লাকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা পাবুং থোঙ্গ্রাম হরিদাস (ফোর্মর কন্ট্রেক্টর) অমসুং শগোলবন্দ তেরাদগী পাবুং শামুরাইলাৎপম মধুমঙ্গল (আর এস এস) অসিনচিংবনি। অতৈ অহল লমনশিংদি মমিং কাউখ্রে। অহলশিং অদুনা ঐবুসু য়াম্না লুনা তৌবিরম্মী। অদুগা, তেরাদগীদি কেন্দ্রগী ৱার্কর ওইনা লৈবিরম্বা ৱার্কর ময়াম অমসু লোগ তৌবা নুমিৎ খুদিংগী লাকপীরম্মী। তেরাদগী তাদা যাদুমনি, তা মঙলেম, তা আনন্দ খরসিদি নীংশিংজরি।

ঐগী য়াম্না নুংভাইখিদবসিনা কুমজা ১৯৮৬কী চহী লোইশিল্লকপা মতম অদুৱাইদা কেন্দ্রদুদা ইখঙ খঙহৌদনা অহোংবা খরা লাকখি। ব্রদর রোইগী তৌরিবা থবক থৌরমদা য়ানীংদবা, পামদবা ঈহৌ অমা হৌরকখি। অতেনবা নুমিৎ খরনিদা মহাক কেন্দ্রদুদা লৈবা য়ারক্তবগী ফীভমদা লাকপদগী তুমিন্না মণিপুর থাদোক্তুনা চেনখি। ঐহাক্কা ফাওবা উনহৌদে।

অমরোমদা, মহাক্কা অদুম্না তুমিন্না চৎখিবদু ঐঙোন্দদি তৌফম খঙদবা, নীংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। তশেংনা মতমদুদা ঐহাক য়াম্না ৱাখি। মায়কৈ খঙদনা ইরাক্লরবা মীশক অমা হায়বদু ওইখি। ঐহাক্না মী মান্না হিংজরম্বা মতেক অমগী পুন্সিদুদি মহাক্কী শেগা তাংলগনি। ব্রদর রোই মণিপুর থাদোক্লগা চৎখ্রে হায়না খঙলকপা মীৎকুপ্তুদা ঐ য়াম্না কপখি।

পুন্সিসি করম হায়না অমুক হিংবা হায়না খল্লুরগা চমম্নবসু পোকখি। মচি অমদা তুমিন্না ফম্লগা পূক্নিং নুংশিনা অদুম কপ্লগা লৈখি। মখা তারকপদদি ঐহাকসু কেন্দ্র অদু থাদোকপা তারকখি। অদুগুম্বা মতাংদুদা ইয়াম্বা বিসেশ্বরনা ঐবু লৌবা লাকপীখি। হায়রিবা মতমদুদা মহাকসু থোইনা ফীভম ফবদি নত্তে। ন্যু চেক্কোনগী অশানবা কা মচা অমদা লৈরগা অফং অফংবা থবক শূরগা লাইরিকসু মশানা তাঞ্জরগা ৱানা হোৎনরিবা মতমনি। ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা মতমদুদগী ঐহাক ইয়াম্বা বিসেশ্বরনা হায়বিবগী মতুং ইন্না জুদো শান্নফম কোয়থি থিজরকখি। অসুম্না জুদো শান্ননবা থিরকপদা ঐগী

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## জুদোদা মীৎয়েং অমা

অহানবা জুদোগী ওজা খোইস্নাম সাবিত্রি (সাইগী কোচ) থেংনজরকখি। হায়রিবা মতমদুদদি (১৯৮৬) জুদো অসি লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লবতা শান্নরম্মী। ওজাগা অহানবা উনজবা মতমদা ঐহাক্না জুদো শান্নবা পামজবগী ৱারী-ৱাতাইশিং তৌজখি। মদুদা ওজানসু হরাও হরাও তৌবীদুনা ঐগী বোদি ষ্ট্রকচরসি মুন্না য়েংলগা নঙদি হান্নসু কুংফু, মুক্না শান্নরকই হায়বনিনা জুদোসিগসু হেন্না চান্নরগনি হায়বীরকখি।

ফরে হয়েংদগী শান্নবা লাক্লো হায়দুনা অয়াবা পীবিরকখি। মথং নোংঙানবদগী ঐসু ওজা সাবিত্রিগী মনাক্তা চৎলগা শান্নবা হৌজরকখি। ঐনা অহানবা জুদো তম্বা চৎপা মতমদা ওজা সাবিত্রিগী মখাদা শান্নরম্বা প্লেয়রসি চাউরাক্লা কুনমুক শুই। ঐনা নীংশিংবদা, কেশোরজিৎ, রানিতোম্বী, বেবীরানি, প্রেমচান্দ, খিরোদা অসিনচিংবনি। অদুগা ঐহাক্তি অতৈ অতৈ গেম শান্নরগা লৈথোক্লুবনা জুদোদা চঙলকপসি খরা থেংনা চঙবা হায়বদু ওইখ্রে। মরম অদুনা সব জুনিয়রদা, জুনিয়রদা শান্নবদি ফংলক্ত্রে। ঐগী চহী মতাংদুনা তঙাইফদনা সেনিয়র লেভেলদা অদুম শান্নরকখ্রে।

জুদো মশান্নদা ঐহাক্না ইহান হান্না শরুক য়াজরকখিবসিনা মধ্য প্রদেশতা তৌখিবা ইন্টর স্কুল গেমস (অন্দর-১৭) তনি। মতুংদা সেনিয়র নেসনল মঙারক্তা ঐহাক মণিপুর ষ্টেটকী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নজরকখি। অদুবু মেদল শুকফং ফংবা ঙমজরকখিদে। ঐখোয়না কন্না শান্নজবা মতমদুদা বি এস এফ, আই টি বি পি, সী আই এস এফ, সী আর পি এফ টিমশিং অসি য়াম্না লীংই। ঐখোয়না পাক হাইজিনবা ঙমখিদে। শান্নবগী টেক্নিক, টেক্টিশতসু মখোয়না য়াম্না হেল্লি। অদুবু নুপী শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী মখোয় অহুম/মরিদি গোল্ড, সিলভর, ব্রোঞ্জ লৌবা ঙল্লে। ঐনা অহানবা ওইনা জুদো মশান্নদগী মেদল লৌবা ঙমজখিবসিদি ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো চেম্পিয়নশিপ্তুনি। মদুসু ব্রোঞ্জনি।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৮৭/৮৮গী মতমসিদা সাই এস এ জিগী স্কিমদা জুদো য়াওরগনি হায়না পাউ তারকখি। মদুগীদমক প্লেয়র খন্ননবা, জুদোগী এক্সপার্ট টিম অমসু মণিপুরদা লাকখি। মদুদা ঐহাকসু য়াওজরকখি। সেলেক্সন্দুদা খনবীদুনা ঐহাক ১৯৮৮দগীদি সাই হোষ্টেলদা লৈজরকখি। অহানবা চঙলকপা মতমদদি ঐখোয় খুমন লম্পাক্কী য়ুঠ হোষ্টেলদা লৈরগা শান্নজরকখি। সাই এস এ জিদা লৈরবা মতুংদদি ঐহাক সার ভি এন টিৱারীগী মখাদা অমুক মখা তাবা ট্রেনিং ফংজরকখি। সার ভি এন টিৱারী অসি য়ু পি মচানি। মণিপুরদা জুদোগী কোচ ওইনা (সাই, এস এ জিগী) চহী মরি মঙারোম লৈবিরম্মী।

অমরোমদা, ঐগী ওইনদি জুদোকা মায়পাক্লা শান্নরকখিবা প্লেয়র অমা হায়বদুদি ওইবা ঙম্লকখিদে। সেনিয়র নেসনল মঙারক শান্নবা চৎপদা মেদল শুকলৌ লৌবা ঙমদবদগী কপ্ল-কপ্লগা ইকায়না হল্লকখিবা ঙাক্তনি। শান্নবা হায়বসিসু মফম, মতম, মতাং চান্নদ্রবদি কৈদৌনুংদা মায় পাক্কদবা নতে। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৯

১। 'শান্নরোয় অমনা চহী ২২ শুদ্রিবা ফাওবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াহল্লোইদবনি' ৱাহৈশিং অসি করম্বা শান্নরোয়না হায়খিবনো?

২। ঐসু হোকি শান্নে। ঐগী অপোকপসু শান্নে। ঐগী অপোকপদি ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক্তি শেঙ্গেংগী মেদল অমখক ফংখি। ঐ কনানো?

৩। মণিপুরগী মুক্না যাত্রা *লৈশং যাত্রা* করম্বা মফমদা পোকখি। মহাক্কী পোকফম লৈকায়গী মমিং পীয়ু।

৪। মিষ্টর ৱর্ল্ড টাইটল তরেৎলক লৌখ্রবা অরাম্বম বোবি সিংহ অহানবদা করম্বা মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা ষ্টান ৱারিঙ্কা মায়থীবা পীদুনা রোটর্দম টাইটল লৌখ্রে



রোটর্দম, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী)ঃ নেদরলেন্দসকী সিটি রোটর্দমদা পাঙথোকপা রোটর্দম এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় গেল মোনফিলসনা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা গেল মোনফিলসনা ষ্টান ৱারিঙ্কাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কানা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকপা ঙম্বদগী গেল মোনফিলসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা কুমজা ২০০৮দগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল অদুদা সিদ্দিং ফংদবা শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌনখিবা অহানবা ওইখি।

গ্রান্দস্লাম টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা ষ্টান ৱারিঙ্কা কুমজা ২০১৭তা মখুউ শোকপদগী ওপরেসন অনীরক তৌরুরবা মতুং শরুক য়ারকপনি। অমরোমদা গেল মোনফিলস মমাঙগী চহীদা টুর্নামেন্ট অমত্তা টাইটল ফংদনা লাকখি। অরোইবা সেট অদুদা মালফিলসনা হেনজিল্লক্তুনা ৬-২দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# এফ সী গোৱানা আই এস এলগী মকোক থোঙখ্রে, চেন্নাই সিটিনা আই লীগকী মাঙজিল থারি



ফটোর্দা/শিলোং, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী গোৱানা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে। অমরোমদা হিরো আই লীগকী ঙসি শিলোংদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব শিলোং লাজোংবু চেন্নায়িন সিটি এফ সীনা থোইদুনা লীগ অদুগী মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙসি গোৱাগী সিটি ফাটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু এফ সী গোৱাগা কেরলা ব্লাষ্টরসকা লম্বা তৌনখি। ঙসিগী মেচ অদুগী মাঙওইননা এফ সী গোৱা মেচ ১৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৮ ফংদুনা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মথংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরম্বনি।

মরম অদুনা মেচ অদু মায় পাক্লগা মখোয়না আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা লৈবা মরম্না মেচ অদু হৌবদগী পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা এফ সী গোৱানা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা কেরলা ব্লাষ্টরসকী দিফেন্দরশিং অদুনা শেমখিবা ওফসাইদ ত্রেপ অদু লান্থোক্তুনা ফেরান কোরোমিনাসনা মহাক্কী টিমমেট ব্রেন্দোন ফর্ণান্দেজনা পীরম্বা ক্রোস অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা মতুং মিনট ২ ফাদ্রিঙৈদা কেরলা ব্লাষ্টরসকী দিফেন্দর অনাসনা মহাক্কী গোলকিপর মণিপুর মচা মোইরাংথেম ধিরজনা বেক পাস তৌরকপা অদু মতাং মতম চাখিদবা অমসুং ধিরজনা নিংথিনা কলেক্ট তৌবা ঙমহৌদবদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কোরোমিনাসনা বোল অদু পুথোরক্লগা মহাক্কী টিম মেট ইদুবেদিয়াদা খাইরকপদা পাঞ্জল ওইহনখিদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা কেরলা ব্লাষ্টরসপু এফ সী গোৱানা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৯শুবা থাক্তা লৈরিবা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সী অনীশুবা হাফতসু ফজবা ইঙম ঙমখিদে। মদুগী খুদোংচাবা এফ সী গোৱানা লৌদুনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় হুগো বোমোসনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কেরলা ব্লাষ্টরসপু ৩-০দা থোইবা ঙম্বদগী পোইন্ট টেবলদা ৩১ ফংদুনা বেঙ্গালুরু এফ সীগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা গোৱানা বেঙ্গালুরুদগী গোল মশীং ১০ হেন্দুনা লীগ অদুগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

ঙসি শিলোংদা শান্নখিবা হিরো আই লীগকী মেচ অমদা চেন্নাই সিটি এফ সীনা য়ূম্বু শিলোং লাজোংবু ৪-২দা থোইদুনা আই লীগকী টেবলদা পূন্না পোইন্ট ৩৭ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী পেদ্রো মাঞ্জিনা পাঞ্জল ২ চনখি। লোয়ননা টিম মেট সেন্দ্রো নেষ্টর গোদিলোনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। মায়থীহৌরবা শিলোং লাজোংগী মায়কৈদগী সাম্যুএল লিংদো অমসুং কে পালেনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর নিখৎ জারিন ষ্ট্রান্দিয়া মেমেরিএল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



সোফিয়া, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী)ঃ বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৭০শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নূপী বোক্সর নিখৎ জরিন মহাক্কী সেমীফাইনেল বাউট মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী নিখৎ জারিননা ঙসি কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলূপ্তা পোলেন্দগী বোক্সর সান্দ্রা দ্রাবিকপু য়াম্না লম্বা মান্ননা থীন্নখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদুদা পোইন্ট ৩-২দা মায়পাকপা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই নিখৎ জারিন ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অদুগী মমাংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অনীরক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি।

ঙসিগী বাউট অদুদা নিখৎ অমসুং পোলেন্দগী সান্দ্রা দ্রাবিককা লম্বা তৌনখিবা সেমীফাইনেল বাউট অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখি। পোইন্ট লৌবগী মায়কৈদসু বোক্সর অনীম্মক্না অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা কয়া ঙমখিদে। অদুবু পোইন্ট লৌবা মতাংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখৎনা ফজবা হেনখিবদগী বাউট অদুবু কন্দক তৌখিবা জজ মঙাগী মনুংদা ৩না মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীখিবা অদুগা অতোপ্পা জজ অনীনা পোলেন্দগী বোক্সর অদুদা পোইন্ট পীখিবা মরম্না লোয়শিল্লকপদা নিখৎ জারিয়ানা ৩-২দা মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখিবদগী সিলভর মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নূপীগী অতোপ্পা সেমীফাইনেল বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী মঞ্জু রাণি অমসুং মিনা কুমারী দেবী মখোয়-মখোয়গী সেমী ফাইনেল বাউটশিং মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটিগোরিদা ইন্দিয়াগী মঞ্জু রাণিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক বলগেরিয়াগী ইমি মারি টোদোরোভাবু মায়থীবা পীখি। অমরোমদা মিনা কুমারী দেবীনা কিলোগ্রাম ৫৪গী কেটিগোরিদা রসিয়াগী বোক্সর ইকাটেরিনা সিচেভাবু থিনবা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি মিনা কুমারী দেবীনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চহীদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি। হায়রিবা চহী অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না পূন্না গোল্ড মেদল অনী য়াওনা মেদল ১১ ফংবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিংগী মনুংদা কিলোগ্রাম ৪৯গী কাংলূপ্তা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট অমিট পনঘালনা সেমিফাইনেল য়ৌদুনা অমত্তা ঙাইরবা নুপাগী বোক্সর ওইরি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ৱর্ল্ড টাইটল ৬লক ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এম সি মেরী কোমনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নূপীগী বোক্সিংদা হান্না লৈরম্বা ৱেথ কেটিগোরি ৩দগী হেনগৎলগা ২ হাপচিন্দুনা পূন্না ৫ শুরকপা অদুদা অপেনবা ফোংদোকখ্রে। মহাক্না ৱাফম অসি ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং পি এন্দ জি কম্পনিনা শিনখিবা 'ৱি সি ইক্কেল সম্মিট' শরুক য়াবদা ফোংদোকখিবনি।

মেরি কোমনা থৌরম অদুদা মখা তানা ফোংদোকখিবদা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা নূপীগী বোক্সিং অসি মেদল দিসিপ্লিন ওইনা য়াওহনখিবনি। চহী অদুদা ৱেথ কেটিগোরি ৩খক নূপী বোক্সরশিংনা শরুক য়াবা য়াখি। অদুনা নূপা বোক্সরশিংনা কেটিগোরি ১০দা শরুক য়ারম্বনি। অদুবু টোকিও ওলিম্পিক্সতা নূপীগা বোক্সিংদা ৱেথ কেটিগোরি ৫ দা লম্বা তৌনরগা নূপাগী ওইনা কেটিগোরি অনী হন্থরগা ৮দা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াদা মরু ওইনা নূপী বোক্সর অমনা ময়ুম মকৈ পাল্লবা মতমদা অমদি মমা অমা ওইরবা মতমদা প্রোফেসনেল মশান্নদা মায় ওনশিনবা ঙম্নদবগী চৎনবী অমা লৈরি। অদুবু মহাক্না খুদম অমা ওইরগা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মখাতানা কম্পিটিটিব টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াননবা হোৎনরি। মহাক কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াদুনা মেদল ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মহাক্না য়াম্না কন্না ট্রেনিং চত্থরিঙৈ মতমদা অতোপ্পা চহী নৌরিবা বোক্সরশিংনসু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

মেরি কোম মশামক্না ময়ুম পাল্লবা মতুং অঙাং অহুমগী মমা ওইরবা কান্দা বোক্সিং মশান্না অসিদা অমুক মায় ওনশিল্লকপা মতমদা অৱাবা কয়া নংখি। হায়রিবা অৱাবশিং অদু মহাক্না লান্থোকপা ঙমদুনা হোৎনবা কনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না বোক্সিং মশান্না অসি শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা মরুওইনা ক্রিকেট মশান্না অমসুং লোন টেনিস মশান্নদা মীয়ামগী ওইবা অহেনবা ৱাখল্লোন লৈখি। অদুবু মমিং লৈরবা য়ু এস এগী বোক্সর মোহম্মদ আলিগী মশান্নশিং উখিবা অমদি ইন্দিয়াগী অহানবা এসিয়ন গেমসতা নুপাগী সিলভর মেদল ফংখিবা দিঙ্কুনা মঙোন দা পীখিবা ইথিল অদুনা বোক্সিং মশান্না অসিদা মায় ওনশিনবা হৌখিবনি। য়ুমগী অহল-লমননা পামদ্রবসু মহাক্কী মশান্না অসিদা থৱায় হকচাং লূপখিবা মরম্না থাক অসি য়ৌবা ঙমখিবনি হায়খি।

# কেলিয়ান মাপেগী পাঞ্জলনা পেরিস সেন্ট জর্মেন লিগে ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাহনবা ঙমখ্রে



পেরিস, ফেব্রুৱারী ১৮ (এজেন্সী)ঃ ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা লিগেল ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা লীগ মেচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী কিলিয়ান মাপেনা চনখিবা পাঞ্জল অমনা সেন্ট ইটেনিবু মায়থীবা পীদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী মাঙওইননা পেরস সেন্ট জর্মেন রাউন্দ ২২ শান্নবদা পোইন্ট ৬২ ফংদুনা লীগ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা অদুমক লৈখিবনি। অমরোমদা সেন্ট ইটেনি মেচ ২৪দা পোইন্ট ৪০ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

টিম অনীমক অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। ফ্রান্স টিমগী হন্দক্তা রসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা মাপেনা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সেন্ট ইনটেনিবু মাঙজিল থাখিবনি।

মমাঙগী লীগ মেচ অনীদা মাপে পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনি। ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা মেচ অদুদা মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু পুথোকপা ঙমদুনা সেন্ট ইনটেনিগী মায়োক্তা শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। লেমহৌবা মতম অদুদা সেন্ট ইনটেনিগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লোইশিনখি।

লিগে ৱানগী পোইন্ট টেবলদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা লিলেদগী পোইন্ট ১২ হেন্দুনা লৈরি। লিলে পোইন্ট ৫০ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরবা মতুং লিওন ফুটবোল ক্লবনা পোইন্ট ৪৬ ফংলগা অহুমশুবা অদুগা মার্সেল পোইন্ট ৪০ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি।



HL-B/5068/21dec to 19feb. (alt)